

# সনালৈবাক স্পোর্টস

IMPHAL, TUESDAY, AUGUST 13, 2019 **PAGE 7**


*এফ আই এম বজাস ৱার্ল্ড কপকী সেনিয়র কেটেগোরিদা পোইন্ট ৬৫ ফংদুনা অহানবা টাইটল লৌবা ঙন্নী ইন্দিয়ান নুপী ওইখ্রবী আম্বারিয়া পিসে*

*ইন্টরনেসনেল টেন্নিস ফেদরেসন্না থাদোরকখিবা দব্লিয়ু টি এ রেঙ্কিংদা অমুক হন্না সিঙ্গলসকী নম্বর ৱান পোজিসনদা লৈখ্রবী জপানগী নাওমী ওসাকা*



## স্পেনগী কোটিফ কপ্তা ইন্দিয়াগী নুপী ফুটবোল টিম অহুমশুবা পোজিসন তাখ্রবসু স্পিসিয়েল ট্রোফি ফংখ্রে

*ভেলেন্সিয়া, ওগষ্ট ১২ (এজেন্সি)ঃ*

স্পেনন্না যুম্ব ওইদুনা লৈবাক অসিগী সিটি ভেলেন্সিয়াদা পাঙথোকখিবা কোটিফ কপ্তা ইন্দিয়াগী নুপী হোক্কী টিম অহুমশুবা পোজিসন তাখ্রবসু স্পিসিয়েল ট্রোফি ফংখ্রে।

ইন্দিয়াগী নুপী ফুটবোল টিম্না কোটিফ কপ অসিদা মেটচ ৪ শান্নখিবদা মেটচ ২ মায় পাকখি। অদুগা মেটচ ২ না মায়থিবা নংখি। ইন্দিয়ানা মোরিটানিয়াবু গোল্ড ৩–১ দা মায়থিবা পীখি। অদুগা ভোলিভিয়াবু যাম্না হেনবা মওংদা গোল ৭–০ দা মায়থিবা পীরম্বনি।

কোটিফ কপ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী শরুক অমা ওইনা ইন্দিয়ানা স্পেনগী য়ু–১৯ ফুটবোল টিম অমদি মফম অসিগী ক্লব ভিলারিয়েলগা শান্নখিবা মেটচ অনীমক গোল ০–২ দা মায়থিবা নংখি।

ইন্দিয়াগী নুপী ফুটবোল টিমগী হেদ কোচ মেমোল রোক্কীনা ফোঙদোকখিবদা লৈবাক অসিগী শান্নরোইশিংনা হন্দক স্পেনগী সিটি ভেলেন্সিয়াদা পাঙথোকখিবা কোটিফ কপ্তা পীখিবা পার্ফোমেন্স অদু যাম্না ফজখি। ইন্দিয়া টিমগী পার্ফোমেন্স অদুবু লোকেল ওর্গনাইজরশিংনা নীংথিনা মীৎয়েং তাখি।

ইন্দিয়াগী নুপী ফুটবোল টিম্না স্পেন অমদি ভিলারিয়েলগীগী মখূত্তা মায়থিবা মেটচশিং অদু যাম্না লম্বা মান্নবা ওইখিবনি। টিম অসি চহী অমগী মমাঙদগীদি যাম্না হেন্না ফজবা ঙস্লে হায়না হেদ কোচ মেমোল রোক্কীনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

কোটিফ কপকী কুমজা ২০১৮ গী ইদিসনদসু ইন্দিয়াগী নুপী ফুটবোল টিম যাম্না ফজবা পার্ফোমেন্স উৎপা ঙমখি। মসিনা মরম ওইরগা ইন্দিয়াগী টিম্বু সিজন অসিদা শরুক য়াহন্নবগী ৱারেপ লৌখিবনি হায়না কোটিফকী প্রসিদেন্ট ইলিসে গোমেজ টোরমোসনা ফোঙদোকখি।

ইন্দিয়াগী নুপী ফুটবোল টিম্না কুমজা ২০১৯ গী সিজন অসিদা যাম্না ফজবা পার্ফোমেন্স উৎপা ঙমখিবা অসিগীদমক ওর্গনাইজরনা অহুমশুবা পোজিসনগী ট্রোফি অসি পীনবগী ৱারেপ লৌখিবনি।

কোটিফ কপকী ওর্গনাইজরশিংনা ইন্দিয়াগী নুপী ফুটবোল টিম্না চহী অমগী মনুংদা হেনগৎলম্বা পার্ফোমেন্স অদুবু শিংথাখি। শান্নরোইশিংনা ফিল্ডদা লৈখিবা মতমদা মখোয়–মখোয়গী মথৌশিং অদু নীংথিনা পাঙথোকপা ঙম্নবা হোৎনখিবশিং অদু উবদা কোটিফকী মায়কৈদগী মীনুংশি ফাওখি হায়না টোরমোসনা মখা তাখি।

পুন্নমক অসি য়েংলগা কোটিফকী মায়কৈদগী অহুমশুবা পোজিসনগী মনা অসি পীখিবনি। ইন্দিয়াগী নুপী ফুটবোল শান্নরোইশিংনা টুর্নামেন্ট অসিদা উৎখিবা ফজবা লমচৎশিং অদুবুসু শিংথাখি। টিম অসি কুমজা ২০২০ গী ইদিসনদা হেন্না ফজবা পার্ফোমেন্স উৎপা ঙমগনি হায়না ওর্গনাইজরগী মায়কৈদগী মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

ইন্দিয়াগী নুপী ফুটবোল টিম্না ফিল্ডদা শিংথানিংঙাই ওইরবা পার্ফোমেন্স উৎপা ঙমখিবা অদুগীদমক হেদ কোচ মেমোল রোক্কীবু কোটিফকী প্রসিদেন্টনা টুর্নামেন্ট লোইরবা মতুংদা হকথেংননা থাগৎপা ফোঙদোকখি। কোটিফ কপ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিদা ইন্দিয়াগী নুপী ফুটবোল টিম্না ফেয়র প্লে এৱার্দসু ফংবা ঙমখিবনি।




*স্পিসিয়েল এৱার্দকা লোয়ননা ফেয়র প্লে এৱার্দসু ফংখ্রবা ইন্দিয়াগী নুপী ফুটবোল টিম*

## অনীশুবা ৱান দে মেটচতা ইন্দিয়ানা ৱেষ্ট ইন্দিজবু দি এল এস মেথদতা রন ৫৯ দা থোইদুনা সেরিজ মাঙজিল থাখ্রে

*ত্রিনিদাদ, ওগষ্ট ১২ (এজেন্সি)ঃ*

ইন্দিয়া অমসুং ৱেষ্ট ইন্দিজনা শান্নরিবা ক্রিকেট সেরিজ অসিগী মনুং চন্না ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা অনীশুবা ৱান দে মেটচতা ইন্দিয়ানা যুম্ব লৈবাক ৱেষ্ট ইন্দিজবু দি এল এস মেথদতা রন ৫৯ দা মায়থিবা পীদুনা সেরিজ ১–০ দা মাঙজিল থাবা ঙমখি।

নীংশিংবা য়াই, ৱান দে সেরিজ অসিগী মমাঙদা অহানবা শান্নগদবা মেটচ অদু নোংনা মরম ওইরগা শান্নবা য়াখিদবনি।

অনীশুবা ৱান দে মেটচ অসিগী টোস ইন্দিয়ানা ঙমদুনা হান্না বেট্টিং তৌদুনা শান্নরকপদা ওভর ৫০ দা ৱিকেট ৭ তুরগা রন ২৭৯ লৌবা ঙমখি।

ইন্দিয়াগী ওপনর সিখর ধৱন শুপ্নগী রন ২ খক লৌরম্লগা আওট ওইখি। অতোপ্পা ওপনর রোহিট শর্ম্মসু রন ১৮ দা আওট ওইখিবদগী ইন্দিয়াগী ফিভম শোকচিল্লকখি।

অহুমশুবা বেটসমেন ওইনা চঙলকখিবা ইন্দিয়াগী ভিরাট কোহলিনা ৱেষ্ট ইন্দিজগী বোল্লরশিং অদু নীংথিনা মায়োক্নবা ঙমদুনা রন লৌবগী খোঙজেল য়াঙশিল্লকখি। ৪শুবা বেটসমেন রিসব পন্টসু বোল ৩৫ দা ফোর ২ য়ৈরগা রন ২০ দা আওট ওইখি।

৫শুবা বেটসমেন শ্রিয়েস আয়রনা টিম অসিগী কেপ্টেন ভিরাট কোহলিগা যাম্না ফজবা পার্টনর্সিপ অমা শেমদুনা ইন্দিয়াগী অপুনবা রন ২০০ লাম্থোকহনবা ঙমখি। ভিরাট কোহলিনা যাম্না ফজবা বেট্টিংগী পার্ফোমেন্স উৎপা ঙমদুনা বোল ১২৫ দা সিক্স ১ অমদি ফোর ১৪ য়ৈরগা রন ১২০ লৌরম্লগা আওট ওইখি। মতম অসিদা ইন্দিয়া ৱিকেট ৪ আওট ওইবদা রন ২২৬ লৌবা ঙমখি।

৫শুবা বেটসমেন ওইনা চঙলকখিবা শ্রিয়েস আয়রসু বোল ৬৮ দা সিক্স ১ অমদি ফোর ৫ য়ৈরগা রন ৭১ দা আওট ওইখি। ৬শুবা বেটসমেন কেদর জাদবগী রন ১৬ অমদি ৭শুবা বেটসমেন রবিন্দ্র জাদেজাগী আওট ওইদনা লৌরম্বা রন ১৬ টিম অসিগী শিংথাবা য়াবা স্কোরশিং ওইখি। ইন্দিয়াগী ইন্নিংস অদু ওভর ৫০ শান্নবা লোইশিনখিবদা বেটসমেন ৭ আওট ওইরগা রন ২৭৯ দা লোইশিনখি।

ৱেষ্ট ইন্দিজনা মায় পাক্নবগী ওভর ৫০ দা রন ২৮০ লৌবগী টার্গেট লৈখিবা অদু নোং তারকপদগী দি এল এস মেথদকী মতুং ইন্না ওভর ৪৬ তা রন ২৭০ লৌবগী মথৌ তাখি।

ৱেষ্ট ইন্দিজগী ওপনর খৃস গেল রন ১১ খক লৌরম্লগা আওট ওইখি। টিম অসিগী অহুমশুবা বেটসমেন সাই হোপসু শুপ্নগী রন ৫ খক লৌরম্লগা আওট ওইখিবদগী ৱেষ্ট ইন্দিজগী ইন্নিংস অদু ফিভম শোকচিল্লকখি।

৪শুবা বেটসমেন সিমরোন হেটেমিয়রসু বোল ২০ দা ফোর ২ য়ৈরগা রন ২০ দা আওট ওইখি। টিম অসিগী অতোপ্পা ওপনর ইভিন লেৱিসতা ইন্দিয়াগী বোল্লরশিং অদু নীংথিনা মায়োক্নবা ঙমদুনা বোল ৮০ দা সিক্স ১ অমদি ফোর ৮ য়ৈরগা রন ৬৫ লৌরম্বা অসিনা টিম অসিগী খ্বাইদগী ফজবা স্কোর ওইখি।

৫শুবা বেটসমেন নিকোলাস পুরানগী বোল ৫২ দা সিক্স ১ অমদি ফোর ৪ য়ৈরগা রন ৪২ লৌরম্বা অসিনা টিম অসিগী টিম অসিগী শিংথাবা য়াবা স্কোর ওইখি। মখা তানা চঙলকখিবা অতোপ্পা বেটসমেনশিং রন ২০ য়ৌনা লৌবা ঙমখিদবদগী মখোয়গী ইন্নিংস অদু ওভর ৪২ শান্নখিবদা বেটসমেন ১০মক আওট ওইরগা রন ২১০ দা লোইশিনখি।

ইন্দিয়াগী বোল্লিংদা ভুবনেশ্বর কুমারনা খ্বাইদগী ফজবা ওইনা ৱেষ্ট ইন্দিজগী বেটসমেন ৪ আওট তাহনবা ঙমখি। ইন্দিয়াগী অতোপ্পা বোল্লর মোহমদ সামী অমদি কুলদিপ যাদবসু ৱেষ্ট ইন্দিজগী বেটসমেন ২ / ২ আওট তাহনবা ঙমদুনা মায় পাকপদা চাওনা মতেং পাঙখি।



*ৱেষ্ট ইন্দিজগা শান্নখিবা মেটচতা রন ১২০ লৌখিবা ভিরাট কোহলি*

## রোজর্স কপকী নুপাগী সিঙ্গলস টাইটল স্পেনগী রাফেল নদালনা লৌখ্রে, নুপীগী সিঙ্গলস টাইটলনা কানাদাগী এন্দ্রিস্কুনা ফংখ্রে

ROGERS cup

*মোন্ট্রিয়েল, ওগষ্ট ১২ (এজেন্সি)ঃ*

কানাদাগী সিটি অনী মোন্ট্রিয়েল অমদি টোরোন্টোদা চথরকপা রোজর্স কপ টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপাগী সিঙ্গলস টাইটল স্পেনগী রাফেল নদালনা লৌখ্রে, টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী সিঙ্গলস টাইটলনা যুম্ব লৈবাক কানাদাগী শান্নরোই বিয়ানকা এন্দ্রিস্কুনা ফংখ্রে।

রোজর্স কপ টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলস ফাইনেল মেটচতা নম্বর ৱান সিদেদ স্পেনগী রাফেল নদালনা ৮শুবা সিদেদ রুশিয়াগী দানিল মেদভেদেভপু ষ্ট্রেট সেট অনীদা মায়থিবা পীরম্লগা চেম্পিয়ন ওইবা ঙম্বগা লোয়ননা মহাক্কী কেরিয়রগী ৩৫রকশুবা মাষ্টর্স টাইটল লৌবা ঙমখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলস ফাইনেল মেটচ অসিগী অহানবা সেটতা এক্সপরিয়েন্স হেল্লবা স্পেনগী রাফেল নদালনা রুশিয়াগী দানিল মেদভেদেভকী সার্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌরগা ৬–৩ দা থোইদুনা সেট অমা মাঙজিল থাবা ঙমখি।

সেট অমা মাঙজিল থারবা স্পেনগী রাফেল নদালনা অনীশুবা সেটতা হেন্না ফজরক্কুনা রুশিয়াগী দানিল মেদভেদেভকী সার্ভিস গেম অহুম্মক ব্রেক তৌবা ঙমদুনা সেট অদু ৬–০ দা যাম্না লায়না থোইবা ঙমদুনা নুপাগী সিঙ্গলস টাইটল অদু লৌবা ঙমখি।

রোজর্স কপ অসিগী দব্লিয়ু টি এগী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা টুর্নামেন্ট অসিগী যুম্ব লৈবাক কানাদাগী শান্নরোই বিয়ানকা এন্দ্রিস্কু অমদি ৮শুবা সিদেদ য়ু এসকী সেরেনা ৱিলিয়মস শান্নখি। মেটচ অদুগী অহানবা সেট শান্নরকপদা কানাদাগী বিয়ানকা এন্দ্রিস্কুনা য়ু এসকী সেরেনা ৱিলিয়মসপু গেম ৩–১ দা মাঙজিল থাদুনা লৈরিঙৈদা য়ু এসকী সেরেনা ৱিলিয়মস শোকপনা মরম ওইরগা মখা তানা শান্নবা ঙমখিদবদগী কানাদাগী বিয়ানকা এন্দ্রিস্কুনা নুপীগী সিঙ্গলস টাইটল অসি লৌবা ঙমখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপাগী দবলসকী ফাইনেলদা স্পেনগী মার্সেল গ্রেনোল্লর্স অমদি আর্জেন্টিনাগী হোরাসিও জেবাল্লোসনা নেদরলেন্দসকী পেয়র রোবিন হেস অমদি ৱেসলি কুলহোফপু ষ্ট্রেট সেট ৭–৫, ৭–৫ দা মায়থিবা পীরম্লগা কাঙলূপ অসিগী টাইটল লৌখি।

রোজর্স কপ টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপীগী দবলস ফাইনেলদা অহানবা সিদেদ পেয়র চেক রিপব্লিক্কী বার্বোরা ক্রেজিকোভা অমদি কেটারিনা সিনিয়াকোভানা ৩শুবা সিদেদ পেয়র জর্মনিগী অন্না লেনা গ্রোনেফেল্ড অমদি নেদরলেন্দসকী দেমী স্কুরসপু ষ্ট্রেট ৭–৫, ৬–০ দা মায়থিবা পীরম্লগা কাঙলূপ অসিগী টাইটল লৌবা ঙমখি।





## ওসাকানা নম্বর ৱান অমুক তাখ্রে

*পেরিস, ওগষ্ট ১২ (এজেন্সি)ঃ*

ইন্টরনেসনেল টেন্নিস ফেদরেসন (আই টি এফ) না ঙসি থাদোরকখিবা টেন্নিস মশান্নগী সিঙ্গলসতা মকোক মথং তাবগী পরিং লাওথোরকপদা জপানগী শান্নরোই নাওমী ওসাকানা নম্বর ৱান পোজিসন্দা অমুক হন্না লৈখ্রে।

নুপীগী সিঙ্গলসকী ঙসি থাদোরকখিবা রেঙ্কিংদা জপানগী নাওমী ওসাকানা হান্না লৈরম্বা মফমদগী থাক অমা হাইগৎলগা পুন্না পোইন্ট ৬৪১৭ ফংলগা নম্বর ৱান পোজিসন্দা অমুক হন্না লৈবা ঙমখিবনি।

নুপীগী রেঙ্কিং লিষ্ট অসিদা ওষ্ট্রেলিয়াগী এসলি বার্টিনা থাক অমা হন্থরগা পোইন্ট ৬২৫৬ ফংলগা অনীশুবা মফমদা লৈখি। চেক রিপব্লিক্কী কেরোলিনা প্লিজকোভানা পুন্না পোইন্ট ৬১৮৫ ফংলগা অহুমশুবা মফমদা লেঙদনা লৈবা ঙম্লি।

নুপাগী সিঙ্গলসকী রেঙ্কিংদা সর্ভিয়াগী নোবাক জোকোভিসনা পুন্না পোইন্ট ১২,৩২৫ ফংলগা অহানবা পোজিসনদা লেঙদনা লৈরি। স্পেনগী রাফেল নদালনা পোইন্ট ৭৯৪৫ দা অনীশুবা অদুগা স্বিটজরলেন্দগী রোজর ফেদররনা পোইন্ট ৭৪৬০ ফংলগা অহুমশুবা মফম কনবা ঙম্লি।

জপানগী কৈ নিসিকোরি অনৌবা রেঙ্কিং লিষ্ট অসিদা মফম অমা হাইগৎলগা ৬শুবা পোজিসন্দা লৈবা ঙমখ্রে। ৪শুবা পোজিসন্দা ওষ্ট্রিয়াগী দোমিনিক থিয়েম লৈরি।

## পাকিষ্টানদা পাঙথোক্কদৌরিবা দেবিস কপ টাইদা ইন্দিয়ানা শরুক য়াবা নৎত্রগা য়াদবগী মতাংদা হায়রোই ঃ রিজিজু

*ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ১২ (এজেন্সি)ঃ*

মথং থাদা পাকিষ্টান্না যুম্ব ওইদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা দেভিস কপ টাই অসিদা ইন্দিয়াগী টিম্না শরুক য়াবা নৎত্রগা য়াদবগী মতাংদা ইন্দিয়া লৈঙাক্না হায়নিংঙাই করিসু লৈতে হায়না য়ুনিয়ন স্পোর্টস মিনিষ্টর কিরেন রিজিজুনা ফোঙদোকখ্রে।

মিনিষ্টরনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, লাক্লিবা সেপ্টেম্বর ১৪ দগী ১৫ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা দেভিস কপ টাই অসি লৈবাক অনীগী মরক্তা হৌজিক লৈরিবা মুক্নরিবা অসিনা তম্বা ঙমদ্রি। টুর্নামেন্ট অসিনা লৈবাক অনীখক অসিগী মরক্তা শান্নগদবা ওইরবদি ইন্দিয়াগী টিম্না শরুক য়াবা নৎত্রগা য়াদবা হায়বসি পোলিটিকেল দিসিজন অমা ওইরগদবনি অদুবু কপ অসিদি ইন্টরনেসনেল বোদি ওইরিবা ইন্টরনেসনেল টেন্নিস ফেদরেসন (আই টি এফ) না শিনবা মরম্না মসিদা খূৎ থিংজিনলুবগী মথৌ থোইনা তাদে।

অদুম ওইনমক ওল ইন্দিয়া টেন্নিস এসোসিয়েসন (এ আই টি এ) না কপ অসিবু ন্যুত্রেল ওইবা মফমশিংদা পাঙথোকপীনবা ইন্টরনেসনেল টেন্নিস ফেদরেসন্দা হায়জখিবা লৈখ্রে। অদুবু পাকিষ্টানগী টেন্নিস বোদিনদি ইস্লামাবাদতা শান্ননবা শেম শাবা হৌখিবনা মফম হোংদোকপা ঙম্লরোই হায়না মমাঙদা ফোঙদোকখিবা লৈখ্রে।

পনবা য়াবদি, কুমজা ১৯৬৪ গী মতুংদা ইন্দিয়াগী টিম্না ঙসি ফাওবদা পাকিষ্টানদা দেভিস কপ শান্নবা চৎত্রিবনি। মসিগা লোয়ননা হৌখিবা ২০০৮ দা থোকখিবা মুম্বাই টেরর এটেক্কী মতুংদগী ইন্দিয়াগী ক্রিকেট টিমসু পাকিষ্টানদা চৎলগা শান্নদ্রিবনি হায়না পাউ অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

নাকল অমরোমদা ওল ইন্দিয়া টেন্নিস ফেদরেসনগী সেক্রেটরী জেনরেল হিরোনমোই চেট্টরজিনা হায়খিবদা শান্নরোইশিংগী সেক্যুরিটি অমদি অফ–ফত্তগী মতাংদা ইন্টরনেসনেল টেন্নিস ফেদরেসন্না দাইত্য লোয়না পুরগনি। হৌজিক্কী ওইনা শান্নরোইশিং অমদি মখোয়গা লোয়ননা চৎকদৌরিবশিংগী সেক্যুরিটিগী মতাংদা চপ চাবা ৱাফম অমা আই টি এফনা পীরকপা ঙাইরি।



## লীগে ৱানদা পেরিস সেন্ট জর্মেননা নিমেসপু ৩–০ দা মায়থিবা পীখ্রে

*পেরিস, ওগষ্ট ১২ (এজেন্সি)ঃ*

ফ্রান্সকী মকোক থোংবা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট লীগে ৱানগী ঙসি শান্নখিবা অহানবা রাউন্দগী মেটচতা পেরিস সেন্ট জর্মেনন্না নিমেসপু পাঞ্জল ৩–০ দা মায়থিবা পীখ্রে।

মেটচ অসি হেক হৌবদগী পেরিস সেন্ট জর্মেনগী শান্নরোইশিংনা এটেক হেন্না চখ্থদুনা পাঞ্জল চনশিন্নবা হোৎনরকখি। মেটচকী ২৪শুবা মিনটতা পেরিস সেন্ট জর্মেনন্না ফংখিবা পেনাল্টি অমদা ইদিসন কভানিনা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল চন্দুনা ১–০ দা মাঙজিল থারগা অহানবা হাল্ফ লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপদসু পাঞ্জল মাঙজিল থারিবা পেরিস সেন্ট জর্মেনগী শান্নরোইশিংনা এটেক অদুমক হেন্না চখ্থদুনা লাকখি। মেটচকী ৫৬শুবা মিনটতা কাইলিয়ান মবাপ্পেনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা ২–০ দা মাঙজিল থাখি।

পেরিস সেন্ট জর্মেনগী অনীশুবা পাঞ্জল চনখ্রবা মতুং ইকান কান্নদনা মেটচকী ৬৯শুবা মিনটতা টিম অসিনা চখ্থরকখিবা মখা তাবা এটেক অমদা এঞ্জেল দি মারিয়ানা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা মেটচ অদু পেরিস সেন্ট জর্মেনন্না নিমেসপু গোল ৩–০ দা মায়থিবা পীরমখি।

নাকল অমরোমদা, ইংলিশ প্রেমিয়র লীগকী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা অহানবা রাউন্দগী মেটচ অমদা মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদনা চেলসিবু গোল ৪–০ দা মায়থিবা পীখ্রে।

শান্নবগী ১৮শুবা মিনটতা মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদনা ফংখিবা পেনাল্টি অমদা মার্কস রাসফোর্দনা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল চন্দুনা ১–০ দা মাঙজিল থারগা অহানবা হাল্ফ লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপা মেটচকী ৬৫শুবা মিনটতা মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদকী এন্থোনি মার্সিয়েলনা পাঞ্জল অমা চনশিল্লবা মতুং মিনট ২ লৈরগা টিমমেট মার্কস রাসফোর্দনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা ৩–০ দা মাঙজিল থাখি।

মখা তানা শান্নরকপা মেটচকী ৮১শুবা মিনটতা পাঞ্জল মাঙজিল থারিবা মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদকী শান্নরোই দেনিয়েল জেমসনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা মেটচ অদু ৪–০ দা মায় পাকখি।

## আনন্দ চেছ ৱার্ল্ড কপ্তা য়াওররোই

*কোজিকোদ, ওগষ্ট ১২ (এজেন্সি)ঃ*

মঙারক ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন ওইরম্লবা ইন্দিয়াগী গ্রান্দ মাষ্টর বিস্বানাথন আনন্দ রুশিয়ানা যুম্ব ওইদুনা মথং থাগী ৪ দগী শান্নবা হৌগদৌরিবা চেছ ৱার্ল্ড কপ্তা শরুক য়াররোই। অদুবু ইন্দিয়াগী অতোপ্পা শান্নরোই ১০ দি টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়ারগনি।

চেছ ৱার্ল্ড কপ অসিদা মালেমগী তোঙান–তোঙানবা লৈবাকশিংদগী লাকপা শান্নরোই ১২৮ না লম্বা তৌনগনি। চেছ ৱার্ল্ড কপ অসি রাউন্দ ৭ লৈগনি। অহানবা রাউন্দ ৬ না ক্লাসিকেল গেম অনী লৈগনি। অদুগা ৭শুবা রাউন্দদা ক্লাসিকেল গেম ৪ লৈগনি।

চেছ ৱার্ল্ড কপ অসিদা শরুক য়াগদবা ইন্দিয়াগী শান্নরোই ১০ অদুদি পেন্দিয়ালা হরিকৃষ্ণা, ভিদিট গুজরাথি, বি আধিবন, সুরিয়া সেখর গাঙ্গুলি, এস পি সেথুরমন, কার্থিকিয়েন মুরালি, অরাভিন্দ চিথম্বরম, নিহাল সারিন, এস এল নরায়নন অমদি অভিজিট গুপ্তনি। শান্নরোইশিং অসিগী মনুংদা হরিকৃষ্ণনা ১৭শুবা সিদেদনি।

### ক্রোসৱার্দ ২৪৮ গী পাউখুম

| | | | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| C | F | O | S | ■ | E | P | I | S | C | ■ | A | F | T | A |
| H | I | F | I | ■ | G | U | S | T | O | ■ | M | E | A | N |
| O | F | F | T | O | A | G | O | O | D | S | T | A | R | T |
| P | O | I | S | O | N | ■ | L | O | E | W | ■ | T | A | Z |
| ■ | ■ | C | O | X | ■ | M | A | D | D | A | S | H | ■ | ■ |
| S | P | I | N | ■ | M | I | T | T | ■ | T | O | E | R | R |
| A | A | A | ■ | R | U | L | E | O | F | T | H | R | E | E |
| I | L | L | B | I | T | E | ■ | L | I | E | N | E | E | S |
| N | E | I | L | D | I | A | M | O | N | D | ■ | D | S | O |
| T | O | N | E | D | ■ | M | U | S | K | ■ | A | F | E | W |
| ■ | ■ | Q | U | I | N | I | N | E | ■ | G | R | R | ■ | ■ |
| A | B | U | ■ | N | O | N | S | ■ | R | E | A | I | M | S |
| B | R | I | N | G | O | U | T | T | H | E | B | E | S | T |
| B | A | R | B | ■ | S | T | E | R | E | ■ | I | N | G | A |
| E | N | Y | A | ■ | E | E | R | I | E | ■ | A | D | R | Y |


**GOVERNMENT OF MANIPUR**
**SECRETARIAT: MAHUD DEPARTMENT**

**NOTICE**

Imphal, the 11th August, 2019

No. 7/45/2017-MAHUD: The result of the 3rd State level Swachhata Award 2019 on Cleanliness and Sanitation in all 16 Districts of Manipur organised by MAHUD Department, Government of Manipur is hereby declared on the basis of assessment conducted by panels of independent judges appointed for the competition. The result is given below in order of ranks.

| Hill District | | | |
|---|---|---|---|
| No. | Name of the District | Score | Rank |
| 1 | Ukhrul | 296 | 1st |
| 2 | Tamenglong | 259 | 2nd |
| 3 | Churachandpur | 231 | 3rd |
| 4 | Chandel | 227 | 4th |
| 5 | Senapati | 226 | 5th |
| 6 | Kangpokpi | 221 | 6th |
| 7 | Noney | 158 | 7th |
| 8 | Pherzawl | 130 | 8th |
| 9 | Kamjong | 123 | 9th |
| 10 | Tengnoupal | 116 | 10th |

| Valley District | | | |
|---|---|---|---|
| No. | Name of the District | Score | Rank |
| 1 | Kakching | 395 | 1st |
| 2 | Jiribam | 392 | 2nd |
| 3 | Thoubal | 375 | 3rd |
| 4 | Bishnupur | 367 | 4th |
| 5 | Imphal East | 323 | 5th |
| 6 | Imphal West | 289 | 6th |

The Deputy Commissioners of the cleanest, 2nd Cleanest & 3rd Cleanest District will be honoured by the State Government on the occasion of the celebration of the 73rd Independence Day of India on 15th August 2019. The Deputy Commissioners of Ukhrul, Tamenglong & Churachandpur for Hill Districts and Deputy Commissioners of Kakching, Jiribam & Thoubal for Valley Districts are requested to depute their representatives from District Administrations & Local Bodies to receive the award.

**Sd/-**
**(M. Joy Singh, IAS)**
Commissioner (MAHUD)
Government of Manipur.
--

*SL/5203/13*